শিংজমৈ চিংঙা মথক্তা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন মণিপুরনা দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিগা খুৎশম্নদুনা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্তুনা মীওই কয়া লেন্না লায়েংবা

SUCCESSFUL COMPLETION OF
50 KIDNEY TRANSPLANTATIONS
Shija
লামায় ৪

অথুবা মতমদা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইনষ্টিট্যুটতা লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না ইনষ্টিট্যুট অসিগী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. কে পালিননা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবা

JUSTICE FOR
Sanaton Athokpam
5th Semester MBBS, RIMS
লামায় ১০

জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপম অমদি খুরাইগী মীয়াম্না সনাতোন মীশিগী লংলা-লংজিন পুথোকউ হায়না খুরাই পুথিবা লৈকায়দগী নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী গ্রাউন্দ ফাওবা খোঙচৎ চৎখিবা

ONE DAY SIT IN PROTEST
INCLUDE MEETEI/MEITEI IN THE SCHEDULED TRIBE LIST OF INDIAN UNION
25th March 2021
লামায় ৪

সেদ্যুল্ড ত্রাইম দিমান্দ কম্মিটি অমদি উরিপোক অচোম লৈকায় ৱিমেন সোসাইটিনা খুৎশম্নরগা উরিপোক অচোম লৈকায়দা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

এস টি দি সীগী ৱাকৎ মীফম মখা চথৰি

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি (এস টি দি সী) অমদি উরিপোক অচোম লৈকায় ৱিমেন সোসাইটিগা খুৎশম্নরগা ঙসি উরিপোক অচোম লৈকায়দা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা চথৰিবা ৱাকৎ মীফম মখা চথৰি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এস টি দি সীগী এদভাইজর জ য়েন্তকুমারনা ফোঙদোরকপদা, এস টি দি সীনা তাল্লিবা মীতৈ/মৈতৈগী কনষ্টিট্যুসনল রাইট পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মাঙহল্লোইদবনি। কনষ্টিট্যুসনল দিমান্দ অমা পীদবা হায়বসি কনষ্টিট্যুসন খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌবা য়াই। দেম্ক্রেটিক ওইবা খোঙজং অসিদা এস টি দি সীগী দিমান্দ পীবীদ্রবদি থোকহন্নিংদবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবগী ৱারেপ লৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা এস টি দি সীগী ভি পি, এল লোকেন্দ্রসু ৱা ঙাংখি।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): শিংজমৈ চিংঙা মথক্তা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন মণিপুরনা লেপ্তুনা চথরকপা ফ্রী মেদিকেল কেম্প ঙসি পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ (দি আই ভি ৱাই এ এন জি জে এ এন), মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্তুনা লাকপা অদু ঙসি অরোইবা নুমীৎতা শিংজমৈ হাও গ্রাউন্দদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রে। কেম্প অসি এৱেয়র্নেস জেনরেসন এন্দ পব্লিসিটি স্কিমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। ঙসি লোইশিনবগী কেম্প অসিদা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিনগী ডোক্তর ৪, ইর্টর্ন ডোক্তর ১০, পেরামেদিকেল ২ শিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা কেম্প অসিদা হিদাক লাংথকসু পীখি। নুমীৎ ২০নি চথরকপা কেম্প অসিদা পেরেন্টস মীটিং ৫, পেরেন্টস ট্রেনিং ৫, ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম ৫ অমদি ফ্রী মেদিকেল কেম্প ৫ পাঙথোকখি।

‘কৈথেল মনুংগী হোটেল হাংদোকহল্লু’

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম কুইনা কৈথেল ফমদ্রবসু খরা শাফরে হায়দুনা কৈথেলশিং হাংদোক্তুনা মহৌশাগুম পোৎফম ফমহল্লবসু কৈথেল মনুংগী হোটেলশিংদি ঙসি ফাওবা হাংদোকপীদবসি লাইবক থীবনি। হোটেল তৌজদুনা ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়র কয়া হোৎনরিবা মীয়ামগী অৱাবসি চীফ মিনিষ্টরনা খঙবীদুনা হোটেল হাংদোকপা য়াহনবীয়ু হায়না কৈথেল অসিদা হোটেল তৌদুনা লৈরম্নীময়েংবম ফজবিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, কৈথেলসিদা হোটেল তৌজদুনা ইমুং-মনুংগী ওইবা অহোবা কয়া মেন্নরম্বশিং ঙসিদি উপায় লৈতবগী ফীভমদা লৈরে। মসিদা নত্তনা চাক থোংবা অমদি চা, চল তৌবা হোটেল ৫০ রোমসিদা ঈশিংগী সর্ভিস তৌদুনা ইমুং পুজরম্বা মীওই কয়াসু থবক লেপ্তুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। হীরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং য়েংশিনবীদুনা মীয়ামগী অৱাবসি খঙবীয়ু। মহৌশাগুম্না কৈথেলশিং অসিদা হোটেল হাংদোক্লবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লন্মাইদা মীয়াম্না এপ্রিল ১১দা দ্রগকী মায়োক্তা অচৌবা খোঙচৎ চৎকদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা চঙশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগকী লাঞ্জং মায় পাকহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা মীয়াম্না এপ্রিল ১১দা অচৌবা খোঙচৎ অমা লন্মাই মায়কৈদা চৎলগনি হায়না লন্মাই মপারী থৌগল লূপকী সেক্রেটরি জেনরেল বোবিসনা লাইশ্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, লন্মাই মায়কৈবু দ্রগ য়োনবা অমদি শীজিন্নবা মীওই অমত্তা লৈহন্দনবগী ৱাখল্লোন্দা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। খোঙচৎ অসিদা লন্মাই মায়কৈগী মৈরা পায়বী অমদি নহারোল লিশিং ১ হেনবনা শরুক য়ানবা শেম-শাবা লোইরে।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লন্মাইগী তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংদগী লাকপা মীয়াম্না ইমান্যুএল হায়র সেকেন্দরি স্কুল, য়াইঙংপোকপীদা পুল্লগা তেলৌ চনা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী অকোয়বা খুলশিংদা দ্রগ শীজিন্নবা অমদি য়োনবা তোল্লুসি হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা খোঙচৎ চৎকনি। লন্মাই কনষ্টিট্যুএন্সিদা মপুং ফানা দ্রগ শীজিন্নবা অমদি য়োনবা মীওই অমত্তা লৈহন্দনবা লন্মাই মপারী থৌগল লূপনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি। অহানবা ওইনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দা লন্মাই মায়কৈগী নহারোল ৬০০ লোম্না বাইক রেল্লি অমা চৎতুনা চীফ মিনিষ্টরগী লীচিং মখাদা চঙশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী খোঙজং শৌগৎপা উৎখি। মতুং তারকপদা লন্মাই কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা নোংমাইজিং চীংদা পোপী পান্বী থাবা থিংনবগীদমক খুঞ্জাশিংদা মতমগী মরূ-মরাং য়েন্থোক্তুনা শেন্থোক লম্বী পীনবা হোৎনখি। মসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি।

অতে অতোপ্পা থৌরাংশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, শান্ন-খোৎনবগী লমদা খুন্মাং চাওশিন্নবগী স্পোর্টসকা মরী লৈনবা পোৎলম কয়াসু লন্মাই মায়কৈগী মফম কয়ামরুমদা য়েন্থোকখি। ৱার ওন দ্রগকী খোঙজং মায় পাকহন্নবা এপ্রিল ১১দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অসি লন্মাই মপারী থৌগল লূপকী থৌমীশিং অমদি লূপ অসিবু শৌগৎপা মীওই লিশিং ১না শরুক য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়াওশং মনুংদা ক্রাইম থোক্তনবা প্রোটেষ্ট চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সলাম মমাঙ লৈকায় চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপনা শীন্দুনা ঙসি সলাম মমাঙ লৈকায়দা নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা য়াওশং মনুংদা ক্রাইম থোকহন্দনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, মমাঙ চহীদা য়াওশং মনুংদা সলাম মমাঙ লৈকায় এরিয়াদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্তুনা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওখিবা থৌদোক অদুবু খুনগী মীয়ামনা নুংঙাইতবা ঙসি ফাওবা পোক্লরি। হায়রিবা থৌদোক অদু মখা তানা অমুক হন্না থোকহন্দনবা হন্দক্কী য়াওশং মনুংসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা অকন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীনবা হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা নুপী ঐখোয়সু মীওইবনি, নুপীদা মীৎয়েং কারন চনবশিং চৈরাক পীয়ু, ৱায়েল অথুবদা লোইশিল্লু, য়াওশং মনুংদা ক্রাইম থিংনবা লৈঙাক্কা অথুবদা থবক পায়খৎপীয়ু, নুপী-অঙাং কন্নবা লৈঙাক্কা থৌরাং লৌখৎলু, ষ্টোপ কিল্লিং ওফ ৱিমেন এন্দ চিল্দ্রেন, ৱি আর হ্যুমেন, নুপী-অঙাংদা ওৎ-নৈবা চথবা মীওইশিং অকন্নবা চৈরাক পীগদবনি হায়বনচিংবা প্লে কার্দশিংসু পায়খি।

এক্সিদেন্টতা শোক্তুনা লৈরিবা অমুচৌবদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদগী মীয়ামগা মীমান্নদনা লৈরিবা খাইদেম মখা লৈকায়দগী কৈথেল্লাকপম অমুচৌবদা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমীগী প্রিন্সিপাল লৈশাংবম ইন্দ্রকুমার অমদি কোন্থৌজম ময়াই লৈকায়দা লৈবী এক্স-প্রধান কোন্থৌজম অঙৌবী অনীনা শেল অমদি চান-থক্কবা অমসুং হিদাক লাংথক কয়া মতেং পাংদুনা অমুচৌবগী অৱাবদা অঙম্বা শরুক য়াখ্রে।

খাইদেম অমুচৌবনা এক্সিদেন্টকী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মহাক্কী লোয়নবীসু মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। অৱাবনা খম থেংলবা অমুচৌবগী ইমুংদা হৌজিক হৌজিক পীল্লিবা মচানুপা থোইথোইবগা লৈরি। কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিদা অমুক্তা হেন্না ৱাহল্লবা অমুচৌবগী অৱাবদা মতেং পাংলকপগীদমক লৈশাংবম ইন্দ্রকুমার অমদি অঙৌবীবু অমুচৌবনা মখোয় মীৎনা উবা লাইমক্লি খন্না থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

হৌগৎ-কাংখৎতুনা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা থবকসু নোংস্না ঙমখিদ্রবা ইন্দ্রকুমার হৌজিক হৌজিক মহাক শিখ্রবসু য়ারে হায়না খল্লগসু পীল্লিবা মচানুপাগীদমক খল্লগা হিংলি। মহাক্কী খ্বাইদগী ৱারবা মীকুপসিদা মীওই কয়ানা তেংবাঙ পীরক্লবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহাক্কীদমক সী এম ঐচ টি কার্দ শেম্বীদুনা লায়েংবীনবগী লম্বী পীবীবা নৎত্রগা মতেং পাংবীবা মীওই লৈত্রি। লৈঙাক্না মহাক অমদি মচানুপা অপীকপা অসিগীদমক লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

শিজ হোস্পিটালদা লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): অথুবা মতমদা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইনষ্টিট্যুটতা লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না ইনষ্টিট্যুট অসিগী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. কে পালিননা ফোঙদোকখ্রে।

পাউজী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী মতাংদা শিজ হোস্পিটালনা খুন্মাং চাউশিনবা ঙম্লে। মার্চ ১৭তা হোস্পিটাল অসিনা ৫০রকশুবা ওইনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শনে দারকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবনি। মশাগী চহী ২৩ শুরবা লম্ফেলদগী মীওই অমা মায় পাক্না কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখি। রিনেল ট্রান্সপ্লান্টকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা শিজ কিদনি সেন্টরনা ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা কিদনি পুম্নমক মণিপুর অমদি অতোপ্পা লৈবাক্তগী দোনেট তৌরকখিবনি। মণিপুরদগী মীওই ৪৩, নাগালেন্দদগী ৬ অমসুং ম্যান্মারদগী ১ দোনেট তৌরকখি।

চহী খুদিংগী ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সী কে দি) না মরম ওইরদুনা মালেমদা মীওই ৭,৩৫,০০০ রোম শিরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, চহী খুদিংগী ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন ২৩২ খুদিংগী মীওই ১৫১ কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী মথৌ তারি। পুন্না পাথোক্লবদি মীওই ২,২০,০০০ ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা তঙাইফদে। অদুবু শুপ্নগী মীওই লিশিং ৬ খক ট্রান্সপ্লান্ট তৌরি। অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা অসামগী হেক মথংদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগী খুদোংচাবা লৈরিবসি মণিপুরনি। শিজ কিদনি সেন্টরদা মখল খুদিংমক্কী কিদনিগা মরী লৈনবা অনাবশিং লায়েংলি। নীংথিনা খঙ-হৈরবা নেফ্রোলোজিষ্ট অমদি য়ুরোলোজিষ্ট কয়া সেন্টর অসিদা থবক তৌরি।

অৱাং নোংপোক্তা হিংমো-দাইয়লাইসিস খ্বাইদগী মশীং য়াম্না তৌবা সেন্টর অসিনা ওইরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সেন্টর অসিদা মতমগা চুনরবা দাইয়লাইসিস য়ুনিট হাংদোকপগা লোয়ননা অফবা মখলগী মেছিন ৩১ লৈরে। নীংথিনা ট্রেন তৌরবা ষ্টাফ কয়াসু মথৌ তৌরি। সী এম ঐচ টি অমদি পি এম জে এ ৱাইগী বেনিফিসরিশিংসু ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগী খুদোংচাবা পীরি। এপ্রিল ১৭তা ৫০রকশুবা ওইনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবদা কন্সল্টেন্ট নেফ্রোলোজিষ্ট ডা. গুলিবর পোৎশংবম, কন্সল্টেন্ট য়ুরোলোজিষ্ট ডা. সোমোরেন্দ্রো পাওনম, কন্সল্টেন্ট জেনরেল এন্দ লেপরোস্কোপিক সর্জন ডা. দেবেন্দ্র খ্বাইরাকপম অমদি কন্সল্টেন্ট য়ুরোলোজিষ্ট ডা. মহেলে মহারাবম য়াওখি হায়রি।

কোসেমগী নৌনা তপথোকপা বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে

ACADEMIC - I
ACADEMIC - I
PLEASE WEAR FACE MASK
EXTENSION BUILDING

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) গী নৌনা তপথোকপা বিল্ডিং ঙসি কাউন্সীল অসিগী চেয়রমেন ডা. মহেন্দ্র অমদি সেক্রেটরি টি ঐচ বিরেন অনীনা শঙ্গাখ্রে।

কাউন্সীলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কাউন্সীলগী চেয়রমেন ডা. এল মহেন্দ্র, কাউন্সীলগী মেম্বর ঈ ইবোয়াইমা অমদি সেক্রেটরি টি ঐচ বিরেননা মথংশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা লমদমসিগী সী এস ওশিং, মহৈরোয় লূপকী মীহুৎশিং, ওজাশিং অমদি কাউন্সীল্লগী কন্ট্রোলর অহোংশাংবম সুরকুমার অমদি ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা কাউন্সীলগী হান্না মেম্বর ওইরম্বা এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবগী মফমদা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। এলাংবম সোনামনিনা হিংলিঙৈদা কাউন্সীলগীদমক হোৎনবীরম্বশিং মীয়ামদা শুগায়না পাউদমখি। ঙসিগী কাউন্সীলগী ওইনা লৈরিবা মেন বিল্ডিং অসিসু লৈখিদ্রবা সোনামনিনা কাউন্সীল মেম্বর ওইরিঙৈদো শাবা হৌনবা উরেপ-উঝুং তৌরম্বনি। ঙসি বিল্ডিং অসিগী মখা তানা এক্সটেন্সন তৌবা ঙম্লা অসিদা মহাক্কী মফমদা শীংবা ঙম্লরোইদবা লম্মনসু তোনশিল্লে হায়রি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কোসেমগী কন্ট্রোলর পি ঐচ মন্ত্রিনা কোসেমনা চহী ২০ লোম অসিদা তৌরকখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদমশিং মীয়ামদা থমখি। থৌরম অদুদা কাউন্সীলগী মেম্বর ঈ ইবোয়াইমনা ফোঙদোকখিবদা, কাউন্সীল অসি লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা মহৈরোয়শিংগীদমক কথোকপগা লোয়ননা মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাকখি হায়রি।

ম্যান্মার মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): ম্যান্মারদা মিলিটরিশিংগী লৈবাক অদুগী মীয়াম্বু কা হেন্না ওৎ-নৈবগী থবক চথরিবা অদুবু য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (ৱাই এফ পি ঐচ আর)না অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাই এফ পি ঐচ আরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজ তোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ম্যান্মার মিলিটরিশিংনা লৈবাক অদুদা অমুকহন্না শক্তিপায়শিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মীয়ামদা কা হেনবা থৌওং কয়া চথরি। মিলিটরিগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৩০০ হেন্না শিখ্রে। মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং অদু খাংবা ঙমদবদগী ম্যান্মার নেসনল কয়া লৈবাক অসিদা মরুওইনা অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। সেন্টরনসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙ্ফম থোকই হায়রি।

‘নহারোলশিংনা মতমগী মমল খঙবগা লোয়ননা হরাও কুম্মৈদা কা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লোইদবনি’

SPORTS FESTIVAL, 2021
TARARAKSUBA
Kangleipak Students' Association (KSA)
PRESIDENT

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): হৌরক্লিবা নহারোলশিং অমসুং মহৈরোয় পুম্নমক্না মতমগী মমল খঙনা চৎপগা লোয়ননা হরাও কুম্মৈদা কা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লোইদবনি হায়না এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ১০শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০২১ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এপ্রিল ১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগীদমক ঙসি কংলাদগী মৈ লৌদুনা মপাল কাংজৈবুংদা ফিরাল চিংখৎলগা থৌরম হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম এল এ করাম শ্যামনা হায়খি, মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী কুম্মৈ কয়ামরুম পাঙথোক্লি। হরাও কুম্মৈদা কা হেন্না পূক্নিং চঙখিদনবা কে এস এনা ষ্টেটকী থাক্তা মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিবসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। মতম অমদা ময়াই কাবা মখল কয়ামরুম মণিপুর ফাওনা পুরগা মালেমগী কৈথেলদা য়োনবগী থৌওং চথৰম্মী। ঙসিদি পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা দ্রগ শুংফম কয়ামরুম লৈরক্লে। মমল হোংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক কয়ামরুম মরাং কায়না ফংলকপা মরম্না নহারোল কয়ামরুম দ্রগতা লাইচুবগী ফীভমদা লাক্লে।

তুংগী যুম্বী ওইগদৌরিবা নহারোলশিংনা দ্রগতা লাইচুদুনা লৈখিবা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কে এস এগুম্বা মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা নহারোলশিংবু হরাও কুম্মৈদা পূক্নিং চঙহন্দনবগী ৱাখল্লোন্দা মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিবা অসিনা হৌরক্লিবা নহারোল কয়া মশা-মউ ফনা লৈহনবগা লোয়ননা থকশি-খাশি খঙহনবদসু মতেং ওইনরগনি।

লৈঙাক্কী থবক তৌরগা হিংগনি হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মহৈরোয়শিংনা অফবা লম্বীদা খোঙদাবগা লোয়ননা কনাগুম্বা ফত্তবা মীগী ইথিল চঙহন্দনবা হোৎনগদবনি। মহে তম্লিঙৈদো লৌশিং তানশিনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমনি হায়বা মহৈরোয়শিংনা কাওথোক্লোইদবনি। হকচাং ফবনা লননি হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবসু ৱাফম অসি থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী মওং উবা ফংদে। হৌরক্লিবা নহারোল পুম্নমক মশা-মউ ফনা লৈবগা লোয়ননা তুংগী অফবা যুম্বী অমমম ওইবা ঙম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা কে এস এগী প্রসিদেন্ট এন চেতন; নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এৱার্দী ঐচ ইবোতোম্বী খুমন, স্কুল ওফ এঞ্জিনিয়রিংগী দিন প্রোফেসর আর কে হেমাকুমার অমসুং জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. মাইস্নাম বিদ্যাসাগরনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

এয়রপোর্টতা মীওই ১০৯ আর এ টি টেষ্ট তৌবদা ৩ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): মণিপুরগী মপান লমদা তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪৩৫ ঙসি ফ্লাইট ৮দা পুদুনা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা মীওই ১৪৩৫ অদুগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী আর এ টি টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। ঙসি ইম্ফালদা চঙলকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ খরা কল্লিবা মফমশিং, মহারাষ্ট্র, গুজরাত, মধ্য প্রদেশ, কেরলা, ছটিসগড়, পঞ্জাব, রাজস্থান অমদি হরিয়ানানচিংবা ষ্টেটতগী য়াওনা মীওই ১০৯ আর এ টি টেষ্ট তৌখি। মদুদা নুপা ৯০, নুপী ১৭ নি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ৩ আর এ টি টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়রি।

মরকসিদা ঙসি অয়ুক পুং ১০.১০ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটনা গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৭৬ ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.৫০ তাবদা এয়র এসিয়া ফ্লাইট অসিনা দিল্লি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৭২ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটনা ত্রিপুরাদা পল্লম্বা মীওই ১৭৬ ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ১২.৫০ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটনা দেল্লীদা পল্লম্বা মীওই ১৮৪ ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ১২.৫৫ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ১৫৩ ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ১.৩৭ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটনা গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৮১ ইম্ফালদা থুংখি। নুংথিল পুং ১.৫০ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটনা দেল্লীদগী মীওই ১৯০ ইম্ফালদা থুংলখি হায়রি।

ঐহাক্কী পুন্সিদা হায়বা লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা খুমন্থেম প্রকাশনা ইবা *ঐহাক্কী পুন্সিদা* হায়না মিংথোনবা বেঙ্গলি ময়েক অমদি মীতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরিক অমা ঙসি মহাক্কী য়ুমদা ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

দি কল্চরেল ফোরম, মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কল্চর, ইম্ফালগী ফার্মর প্রোফেসর নাওরেম খগেন্দ্র, দি কল্চরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারী অমদি মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকপা, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা খুমন্থেম প্রকাশনা ইবা ঐহাক্কী পুন্সিদা হায়বা লাইরিক অসিগী মরমদা ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা ৱা ঙাংখি।

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী ফম খরা লৌগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন্না তোঙান-তোঙানবা সবজেক্টশিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর লৌগদৌরি।

চহী ১গী ওইবা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা গভর্ণমেন্টক কোলেজশিংদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা লৌগদৌরিবা সবজেক্টশিং অদুদি এন্থ্রোপোলোজিগী ২, বোটনিগী ৭, কেমিষ্ট্রিগী ৬, ইকনমিক্সকী ৯, এদ্যুকেসনগী ১২, ইংলিসকী ১৮, জিওগ্রাফিগী ১৩, জিওলোজিগী ১, হিন্দীগী ৩, হিন্দী (ঐচ টি টি সী)গী ৩, হিষ্ট্রিগী ১২, মণিপুরীগী ১৩, মেথমেটিক্সকী ৯, মিজোগী ৩, নেপালিগী ২, ফিলোসোফিগী ১, ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ৩, ফিজিক্সকী ১১, পোলিটিকেল সাইন্সকী ১৩, ষ্টেটিষ্টিক্সকী ১ অমসুং জুলোজিগী ৩নি। মশাগী চহী ১৮দগীনা ৩৮ ফাওবদা লৈবা কেন্দিদেটশিংনা ফমশিং অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি। কেন্দিদেট খুদিংমক মরী লৈনবা সবজেক্টশিংদা চাদা ৫৫গী চাংদা মার্ক ফংদুনা মাষ্টর দিগ্রী লোইশিনবগা লোয়ননা পি ঐচ দি ফংবা ওইগদবনি। মণিপুরদা পর্মিনেন্ট ওইনা লৈবা মীওই খক্তনা এপ্লাই তৌরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল www.highereducationmanipur.gov.in দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES

[illegible] / CIRCULAR

Imphal, the 27th March, 2021

No. VFA/TRG/2020-Vety.:The result of Entrance Test for selection of suitable candidates for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course for the academic session, 2020-21 has been declared and the details of which can be seen from the Notice Board of the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong. Further, the selected candidates are hereby informed to report to the Principal, Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong, Imphal West on or before **12th April, 2021** along with necessary documents in original **(with 1 xerox copies each)** and 2 (two) recent stamp size photographs for admission without fail.

Sd/- **H. Gyan Prakash**
Director, Vety. & A.H. Services, Manipur.

HL-P/9416/28

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh . Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

OFFICE OF THE
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
H.O. CHINGMEIRONG NEAR EASTERN MOTOR
IMPHAL EAST - MANIPUR
Be a winner of Rs. 20 Lakhs
Lucky Draw Rs. 1 Lakh
Starting From 15th April, 2021
Monthly Rs. 4000/-
Lottery Cum Tender
☞ Urgently Wanted 50 Agents
☞ Agents will get monthly income Draw Timing : 2 :00 p.m.
For more details Plize Contact
Office timing 9:30 a.m to 4:00 p.m.
Contact No. 7642042874, 9362147856
Sd/-
Manager
Yaiphare Group of Finance
(HL-B/6847/12/3-11/4 (alt